**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 22-09-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২২-০৯-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) নেক্স জেনরেসন জি.এস.টি রিফোমর্স ঙসিদগী লৈবাক অসিদা চৎনবা হৌরে।

২) মেরা চাউরেন হৌবগী থৌরম ঙসি লাইনিংথৌ সনামহি তেম্পল বোর্ডনা শিন্দুনা পাঙথোক্লি।

হিয়াংথাং লাইরেম্বীদসু দুর্গা পুজাগী থৌরম ঙসিদগী হৌরে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ মোদিনা ঙসি অরুনাচল প্রদেস অমসুং ত্রিপুরাদা চৎকনি।

---

**জি.এস.টি(এল)ঃ** নেক্স জেনরেসন জি.এস.টি রিফোমর্স ঙসিদগী লৈবাক অসিদা চৎনবা হৌরে। মীয়ামদগী টেক্স লৌবগী চাং শিংথানিঙাই ওইবা মওংদা হন্থহন্দুনা শেল থুমগী পোৎলুম হন্থহনবগা লোয়ননা হেন্না লাইনা হিংজবা ঙমবগীদমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা চহি অসিগী নিংতম নুমিৎতা মীয়ামদা ৰা ঙাংবদা জি.এস.টি রিফোর্মগী নেক্স জেনেরেসন চৎনহন্নবা লাউথোকখি। মসিগী মতুংইন্না জি.এস.টি কাউন্সিলনসু থা অসিগী ৩ দা পোৎলম কয়াদা লৌবা জি.এস.টিগী চাং হন্হল্লগনি হায়না লাউথোকখি।

ঙসিদগী চৎনবা হৌখ্রবা জি.এস.টি. রিফোর্ম অসিনা নোংমদা চংবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং, অনা-লায়েং, মহৈ মশিং, লৌউ শিংউ, ওতোমোবাইল অমসুং ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎলমশিংদা হান্না লৌরম্বা জি.এস.টিগী চাং শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা হন্থহন্দুনা মীয়ামদা অহোংবা মমলদা পোৎলমশিং ফংহনবা ঙম্লগনি। মসিগী মতাংদা বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী ৰাঙাংলোই লাইময়ুম বসন্ত শর্মনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--বসন্ত**

**চাউরেন (এল)ঃ** মেরা চাউরেন হৌবগী থৌরম ঙসি লাইনিংথৌ সনামহি তেম্পল বোর্ডনা শিন্দুনা পাঙথোক্লি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙাইহাক্কী মতুংদা ইম্ফালগী হয়িং খোঙবাল উফোঙ য়ুমফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি শঙলেনদগী লাইনিংথৌ সনামহি কোকথোল লেংফাই ফম্বাল পুদুনা চীং অমদি তমগী মীয়ামগী খোঙচৎ অমা কৈশাম্পাৎ, ৰাহেংবম লৈকাই, উরিপোক, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফাউদুনা কংলা লাইফমলেন তমা চৎকনি। তুংদা, নুংজ্রেং পুখ্রিদগী ঈরু ইশেং লৌরবা মতুং লাইনিং থৌ সনামহি লাইশঙ তমা হল্লক্লবা মতুংদা মপুং ফাবা লাইনিং লাইশোনগী থৌরম পাঙথোক্কনি । মসিদা মীয়ামনা শরুক য়াবীয়ু হায়না লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ডকী মায়কৈদগী পাউজেল্লক্লি।

অমরোমদা, মেরা চাউরেন হৌবনা লাকপদা রাজ্যপাল য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়-লমদম অসিগী নাৎকী ওইবা কুন্দো অসিনা লাকপদা লমদম অসিদা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক অমত্তা ওইনা পুকচেল খোইজেল তিন্ননা লৈমিন্নবা ওইরসনু। নুমিৎ অসিনা লাকপদা লমদম অসি ইং তপ্পা, শান্তি ওইবা অমদি অমত্তা ওইবগী লীপুননা পুনশিনবা ওইরসনু।

মনিপুর বিধান সভাগী অদক্ষ্যা থোকচোম সত্যব্রত্তানা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-লাইনিংথৌ সনামহি অমদি লৈমরেল শিদবীদা থৌনিজবা মেরা চাউরেল হৌবগী থৌরম অসি রাজ্য অসিদা লৈরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিং চহী খুদিংগী লেপ্পুনা পাঙথোক্কুনা লাক্লি। মসিনা চীংমী তম্মীগী অপুনবা শক্তম অদু উৎলি। থৌরম অসিনা রাজ্য অসিদা নুঙাই য়াইফবা তংদু লৈতাবা পুরকপা ওইরসনু।

**পুজা(এল)ঃ** হিয়াংথাং লাইরেম্বীগী ওইনা দুর্গা পুজাগী থৌরম ঙসিদগী হৌরে। ঙসি অয়ুক পুং ৭ মিনত ৫ চৎপদা সংকৃতনগা লোয়ননা নোংম পানবগী কল্পরম্বা পুজা পাঙথোকখি। হিয়াংথাং লাইরেম্বী দেভলপমেন্ট সেভা কম্মিতিনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না মথং থাগী ২ ফাওবা চথুগদবা পুজাগী থৌরম অসিদা থা অসিগী ২৮ দা দেবী লেংথরক্কনি। অদুগা, তাং ৩০ দা বরগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক লেপ্পুনা চথুরি। ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাগী পৈজাং খুল অমসুং মসিগী অকোইবা মফম খরদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথুবদা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে। ফাগৎলবা পোৎলমশিংগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা ইন্সাস রাইফল অমা, এ.কে ফোত্রি সেভেন রাইফল অমা, নাইন এম এম পিষ্টোল

অমা, লোকেল মেদ সিঙ্গল বেরেল রাইফল অনি, মেগজিন অমগা লোয়ননা লোকেল মেদ পোইন্ট টু টু রাইফল অনি, মোর্তার অমা অমসুং এ.কে ফোর্তিগী নোংমৈ মরু খরা য়াওরি।

**নোং(এল)ঃ** অৱাং নোংপোক লমদম য়াওনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা নোং চুরবা য়াই হায়রি। ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট(আই.এম.দি)না হায়-উরিষাদা ঙসি অকনবা নোং চুরবা য়াই। অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরম অমসুং ত্রিপুরাগী মফম খরদসু ঙসি হায়রিবা ফিভম অসি মায়োকরবা য়াই। অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং অসিদদি লাক্লিবা হুমি মরিনি অসি ফাওবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অরুনাচল প্রদেস অমসুং ত্রিপুরাদা চৎকনি। প্রধান মন্ত্রিনা ইতানাগরদা লুপা কোতি লিশিং ৫,১০০ হেনবগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং উরেপ উয়ুং তমগনি। মফম অদুদা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংগনি। অরুনাচল প্রদেসতা মহাকা লুপা কোতি লিশিং ৩,৭০০ হেনবগী অচৌবা হাইদ্রো পৱার প্রোজেক্ট অনিগী উরেপ উয়ুং তমগনি। মহাকা তৱাংদা নৌনা শাগদবা কনভেন্সন সেন্তর অমা উরেপ উয়ুং তমগনি।

তুংদা, শ্রী মোদিনা ত্রিপুরাদা চত্তুনা মাতা বারিদা নৌনা শেমগৎলবা মাতা ত্রিপুরা সুন্দরি তেম্পল কমপ্লেক্স শঙ্গাগনি। প্রধান মন্ত্রিনা পিলগ্রীনেস রিজ্‌বিনেসন এন্দ স্পিপ্রচুয়েল হেরিটেজ ওগমেন্টেসন দ্রাইব (প্রসাদ) স্কিমগী মখাদা ত্রিপুরা সুন্দরি টেম্পল কমপ্লেক্সতা শেমগৎ শাগৎলিবশিং শঙ্গাগনি।

**সেভাঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা চহি ৭৫ মপুং ফারকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা সেবা সপ্তাহগী থৌরম পাঙথোকরি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী

লৈঙাক সাসন অসিনা মীয়াম অমসুং লৈবাক অসিগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা লৌরিবা থৌদাংশিংবু থাগৎনরক্লি। শ্রী মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিনা পাঙথোকপা থবক থৌরমশিংবু শিংথাদুনা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা সেবা পর্বগী থৌরম অসি নুমিৎ ১৫ নি চুপা পাঙথোক্লি। সরকার অসিনা লৌমী মীয়ামগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎলকবা হোৎনরিবা খোঙথাং অসিগী মতাংদা লৌমী অমনা অসুমা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--ফার্মর**

**নারি ঃ** স্বাস্থ্ নারি সাসক পরিভার অভিয়ানগী মখাদা লৈবাক অসিদা হেলথ কেম্প লাক্ষ ২ লিশিং ৮০ হেন্না পাঙথোকখ্রে। হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রালয়না থা অসিগী ২০ ফাওবা চথখিবা কেম্পেইন অসিদা লৈবাক অসিদা নুপী অমসুং অঙাং কয়াদা হকশেলগী লমদা কান্নবা কয়া ফংহনখ্রে। থা অসিগী ১৭ তগী হৌরকখিবা কেম্পেইন অসিদা লৈবাক অসিগী ওইনা মীওই লাক্ষ ৭৬ হেন্না লায়েংখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

রিমসতা অঙাং উনবদা নুপী অমা লৈখিদবদগী ইরাং থোকখিবা, ডোক্তর অমা ফুরম্বগী পাউ, লময়ানবা ইরাবোট মিরোৎ তাখিবগী নিংশিং নুমিৎ পাঙথোকখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

পোকফমদা- রিমস হোস্পিতালদা অঙাং উনবদা নুপী অমসু শিরে, ইরাং থোকখ্রে, খোইশাওনরবা মীয়ামা ফুবদা ডোক্তর শোক্লে- হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনালৈবাক, নহারোলগী থৌদাং, সঙাই এক্সপ্রেসগী এদিসন অনিমক, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, মোর্নিং

বেলনচিংবা পাউচেশিংদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সনালৈবাক্তা- চেন্নবা খুদিংমক ফাগদবনি-আই.এম.এ, হায়বা পাউ অসিগা লোয়ননা থা অসিগী ২৩ দা অনা লায়েং খুদিংমক লেপকদৌরি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা- দেঙ্গি কেস লিশিং ১,১৭১ গী মনুংদা চাদা ৭৩ ইম্ফাল ৱেষ্টতগীনি হায়বা পাউ অমা এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

মীতোপ মীয়ানচা কয়াদগী ইরমদম অসিবু কলহৌনবা ইরৈচা পুমমকা ৱাখল তামিন্নবা মতম ওইরে- হায়না য়ু.সি.এমগী প্রসিদেন্ট ৱাই.কে.ধিরেননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা- নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙবা থেংনরে।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা- এন্থুসকী থৌদোক য়ানিংদবা ফোঙদোক্কুনা কোটুনা নুমিৎ হুমিগী ব্লোকেট লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- নম্বোল এন্থুস থৌদোক্কা মরী লৈননা মারুতি ভেন অমা ফংলে, মীওই অনি দিতেন্ট তৌরে হায়বা পাউ পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা- ঈ.সি.আইনা ষ্টেট পুমমক্তা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা স্পিসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন পাঙথোকবা থৌরাং তৌনবা খঙহনখ্রে

হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মোর্নিং বেলদা- রিমসকী থৌদোক্কা মরী লৈননা এনক্কারি তৌনবা ৱাই.এফ.পি.ঐচ.আরনা দিমান্দ তৌখ্রে হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- রাজ্য অসিদা সেক্যুরিতি মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হাই লেভেল সেক্যুরিতি মীতিং পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা- অসাম রাইফলসতা এম্বুস তৌখিবগী থৌদোক কুকি জো কাউন্সিলনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**